ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕꯥ, ꯃꯥꯔꯆ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯳, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯴꯲ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, মার্চ ২০, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৩৪২শুবা মশীং

# ঈশিংগী অৱাবা

## তুং কোইগদবা থৌরাংশিং পায়খৎলু

ঈশিং মরাং কাইরক্তবগী খুদোংচাদবসি পীক্লবা চীংলোন ৯না কোইশিল্লি হায়রিবা মণিপুর খক্তগী নত্তে। মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা অঙৈং-অশাগী খল, ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং গ্লোবেল ৱার্মিংনা ওইগনি। হায়বদি মালেমগী মফম পুম্নমক্কী ওইনা নোং চুবগী চাং তপ্না-তপ্না হন্থরক্লে। থোইদোক হেন্দোক্না ঈংখ্রবা, উন তাবা ৱাকচীং থা ফাওবদা নোং খজিক্তংদা ওইরবসু খিকপা য়াওনা চহী অমগী মনুংদা য়াওরিবা থা ১২ মক নোং চুরম্বা মণিপুর ঙসিদি নোং চুরকফম থোকপা মতমদা চুরক্তবগা ৱাটর বোদিশিং মুৎশিল্লকপা অমসুং উমং-ৱামংশিং কোকথোরকপগা লোয়ননা চীংশিং মরূ-কোকথোরকপগনা কুমগা লাইগা পাবা হায়বদুমক থোকহল্লকপদগী ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরে। চহী খরা অমসুং কয়াগী মমাঙদসু ঈশিং মরাং কায়দবা 'ঈকং' গী অৱাবা থেংনখিদবা নত্তে, থেংনখ্রে। অদুবু হৌখ্রবা মতমদা থেংনখ্রিবশিং অদুদি ঈশিংবু তঙাইফদনা মথৌ তাবা লৌবুক অমসুং ইখোললদা লৌ পানবা অমদি এঞ্জাং-নাপি থাবদা তঙাইফদনা চঙবা ঈশিংগী চাং য়ৌনা ফংদবা খক্তমক ওইখি। ফিশু-ফিজাম্বা, ঈরূ-মায়থজবগী য়াওনা থক্ল-চানবা ঈশিং ফংদবগী হৌজিক মায়োক্লরিবা ফীভম অসিগুম্নদি মায়োক্লখিদ্রি। অদুবু চৎলিবা চহী ২০২৩ অসিদদি হৌখিবা জন্যুৱারী অমসুং ফেব্রুৱারী থাদা চুরকফম থোকপা থা অনীসিগী নোর্মেল রেনফোলগী চাং য়ৌবা/য়ৌদবদি লায়রদনা নোং মরিক অমত্তা চুখিদ্রে। অদুগা চৎলিবা মার্চ থাসিদনা লেন য়াওনা মফম খরদা নোং চুবা হৌরকখ্রবসু মার্চ থাসিদা মহৌশাদগী লৈরকপা নোংজুগী চাং অদু য়ৌনা চুরক্কদবা মান্দ্রে। থা অসি লোইশিল্লক্কদৌরে। মসি ওইরগদি হৌজিকমক পন্থদনা লৈঙাক অমসুং মীয়াম্না তঙাইফদনা তৌগদবসি করি থবকনো?

ৱাহংসিগী পাউখুম অমা-অনীদংগা নত্তে লৈরিক-লৈরাক থন্না লৈ। লুরিবদি পাউখুমশিংসিগা মরী লৈনবশিং থবক্তা কদাই ফাওবা ওন্থোকপা ঙমগদগে? কনা-কনানদি তৌফম থোকপগে হায়বসিনি। মরমদি মণিপুরগীদি মপানগী অতোপ্পা মফমশিংগা শম্নবা ঈশিং লন্বী লৈতবনা ষ্টেটসিগী ঈশিংগী পাম্বৈসি শুপ্নতগী নোংথক্তগী তারকপা খক্তনি। মরম অসিনা মথক্তগী তারক্লিবা নোংগী মরীক অমত্তা ফাওবা মাঙহন্দনা য়োকশিন্দুনা থমহৌনবগী থবক পায়খৎহৌগদবনি। মসিগীদমক হান্নদগী লৈজরকপা ৱাটর বোদিশিং অমুক ফিভম হঞ্জিনহনগদবনি। লৈজরকপশিংনা কোন্নরোইদবা ওইরগনা অনৌবা ৱাটর বোদিশিং শেমগৎকদবনি। চুরকপা নোংশিং নীংথিজনা য়োকশিন্দুনা থমহৌরগা মথৌ তারকপদা লৌথোক্তুনা শিজিন্নগদবনি। নাকল অমরোমদনা চথরক্লিবা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেন্যনগী মনুং চন্না চীংমাইশিংদা পোপি পাম্বীশিং থাবা অকনবা থিংলকপগা লোয়ননা উমং লোয়শঙনসু প্রোটেক্টেদ অমসুং রিজর্ভ ফোরেষ্টশিং ঙাক শেনবগা লোয়ননা লান্মে থাবা থিংনবগী অকনবা থবকশিং পায়খৎলক্লি। তুরেলশিংগী হৌরকফম মরূশিংগী ফীভম কাইহন্দনবা হোৎনরকপগা লোয়ননা ৱাটর রিসোর্সেস লোয়শঙনা শিংদা দামগী হৌরকফম ফাওবদা শম্বল খাবগী থবকশিং চথরক্লিবনি। নাকল শোমদা পায়খৎলক্লিবা থবকশিংসিসু নোংম-নোংমগী মপূং ফারক্তুনা মহয় য়ালহল্লকপগা ৱাটর বোদিশিং মরাং কাইনা শেমগৎপগা থোং মান্নহল্লবদি ঈশিং মরাং কায়দবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরোই হায়নীংই। হৌজিক চীঙ্খৈচীংগী রিজর্ভরদগী ইম্ফাল তম্না ঈশিং পুরকপা হৌরিবা, খুমন লম্পাক্তা ৱাটর টেঙ্করশিংগী খুথাংদা ঈশিং ফংহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসিবুদি য়াম্না ফবা থবকনি। তৌফমসু থোকই অদুগা লোক্তাক লিফ্‌ট ইরিগেসনদগী ঈশিং ইম্ফাল তম্না পুরক্লগনি হায়বসিসু য়াম্না ফৈ। অদুবু হায়রিবা থবকশিং অসিদি তুংদসু ঈশিং মরাং কায়হন্নবগী পার্মিনেন্ট ওইবা সোল্যুসনগী পাম্বৈ নত্তে। ঙাইহাক-ঙাইহাক্কী ওইবা টেম্পররি থৌশিলনি। মরম অসিনা হৌজিক নোং চুরকপা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈসিদা ৱাটর বোদিশিং খুরুপ থাদুনা শেমগৎহৌবনা খরদা ওইরবসু ঈশিংগী অৱাবা কোকহনবদা মতেং ওইগনি।

# ꯏꯁꯤꯡꯒꯤ ꯑꯋꯥꯕꯥ

## ꯇꯨꯡ ꯀꯣꯏꯒꯗꯕꯥ ꯊꯧꯔꯥꯡꯁꯤꯡ ꯄꯥꯌꯈꯠꯂꯨ

[illegible]

# লৌমীশিংগী কাখল

## শুনু অমদি লৈহাও শিলহনবা হারশিং করম্না শীজিন্নগনি?

**- এস সুমঙ্গল -**

সোইলগী পি ঐচ (pH) হায়বসি লৈবাক লৈহাও অমগী অশিন অয়াক্কী চাং খঙনবা পথাপ অমনি। পথাপ অসিদা চাং ০-১৪ ফাওবা লৈ। পোৎশক অমগী পি ঐচ অসি ৭তা লৈরবদি শীনসু শীন্দবা য়াকসু য়াক্তবা অচম্বনি হায়না লৌই। (pH) তরেৎতগী হন্থরগনা অশীনবা অদুগা ৭তগী হেল্লগনা অয়াকপা হায়না লৌই। লৈবাক লৈহাও অমা হায়বসি য়াম্নসু শীন্দবা য়াম্নসু য়াক্তবা ওইরগদি অফবা লৈবাকনি হায়না লৌনৈ। মসিদা পাম্বী অয়াম্বনা নিংথিনা হৌবা ঙম্মী। মালেমগী লৈবাক খরনা অয়াকপা অদুগা খরনা অশীনবা লৈবাক ওই। ঐখোয়গী মণিপুরগী লৈবাক লৈহাও অসি মহৌশানা মরম কয়াদগী অশীনবা লৈবাক ওই। মহৌশানা শীন্দুনা লৈরবা লৈহাও অসি অতোপ্পা মরমশিং, মরূ ওইনা খূৎশেমগী হার য়ুরিয়া, ডাইমো, এমোনিয়ম সলফেট, এমোনিয়ম ক্লোরাইদ অসিনচিংবা হারশিং শীজিন্নবনা অমুক্কসু হেন্না শীলহন্দুনা লৈবাক শুবা নুংঙাইহন্দে, পাম্বী নিংথিনা হৌবা ঙমহন্দে। হারশিং অসি লৈবাক্তা হাপ্পা মতমদা মসিদা য়াওরিবা এমোনিয়মশিং থাদোরকই। মসিগা ওক্সিজেনগা য়ানশিন্নরগা নাইট্রিফাইং বেক্টেরিয়াগী মতেংনা ফ্রী ওইবা হায়ড্রোজেন থাদোরকই। লোয়ননা এসিদ শেমদুনা লৈবাক শীলহল্লি।

ঐখোয়না শুনু চাইদুনা নৎত্রগা ওর্গানিক মেটর মতিক চানা হাপ্তুনা লৈবাক শীন্দনবা থবক অমত্তা পায়খৎতনা লিশাং শিংনা হার চাইবদগী লৈবাক লৈহাও শীনবা হেনগৎহনবনা করি অমাঙ অতা থোকপগে হায়বদু য়েংবা য়াই।

১) অশীনবা লৈবাক্তা নাপি হীদাক খরদি মথৌ পাঙথোকপা ঙমহন্দে। খুদম ওইনা পারাকুএট, ২-৪দি ফেনোল অসিনচিংবা নাপি হীদাকশিং অসি অশিনবা লৈবাক্তা কা হেন্না চূপশিনখিবনা কান্নবা ইফং ফংদে।

২) নাইট্রোজেন য়াওবা এমোনিয়াবু পাম্বীনা লৌশিনবা ঙম্বা মওং নাইট্রেটতা ওন্থোকপা ঙম্বা নাইট্রিফাইং বেক্টেরিয়া অসি পি ঐচ ৫.৫গী মখাদা হিংবা ঙমদে। অসুম্না অসিগুম্বা হিংকুপ অসি হিংবা ঙমদবা লৈবাক্তা এমোনিয়াগী চাং ৱাংখৎলক্তুনা লৈনুংগী ঈশিংদা মোৎশিল্লকপগী খুদোংথীবা লৈ।

৩) কান্নরবা হিংকুপশিং খুদম ওইনা নুংশিৎতগী নাইট্রোজেন ফাজিনবা ঙম্বা রাইজোবিয়ম অমদি এজোটোবেক্টর হায়রিবা অনী অসি পি ঐচ ৬তগী হন্থরবদি হিংবা ঙমদে। হিংকুপশিং অসিনা হিংবা ঙমদবা মফমদা পাম্বীশিংনা নিংথিনা হৌবা ঙমদে।

৪। শম্না হায়রবদা হারনা শীলহল্লবা লৈবাক লৈহাওদা পাম্বীগী তঙাইফদবা মচিঞ্জাক মচলশিং:-

ফোসফোরস, বোরোন, কোপর অমসুং জিঙ্ক হায়রিবশিং অসিনা পি ঐচ ৫.৫গী মখাদা লৈবা মতমদা অতোপ্পা মচলশিংগা য়ান্থোক য়ানশিন তৌখিদুনা পাম্বীনা ফংবা ৱাৎলি, পাম্বী মপূং ফানা হৌবা ঙমদে।

৫) পি ঐচনা অসুম্না ৫.৫গী মখাদা লৈখিবা মতমদা মেঙ্গানিজগা আইরনগা ঈশিংদা তুম্বগী চাং হেন্দুনা পাম্বীদা হূ ওইহন্দুনা পাম্বী নিংথিনা হৌবা ঙমহন্দে।

লেৱিস অমসুং দেভিসনা কুমজা ১৯৭০দা ফোঙদোক্লম্বদা ঐখোয়না খঙজিনবা য়াবসি, ওর্গানিক সোইল ওইগেরা মিনরেল সোইল ওইগেরা পাম্বীগী মচিঞ্জাক নিংথিনা ফংদুনা হৌবা ঙম্বা অশিন অয়াক্কী চাং অসি সোইল পি ঐচনা ৬.৫দগী ৭.৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মতমদনা খ্বাইদগী হেল্লি হায়বসিনি।

লিশাং শিংনা হারশিং অসি শীজিন্নরকপা অদুগা হাপ্লীবা হারদুগী চাংগী মতুংইন্না হাপকদবা শুনুনা হাপহৌদবা তারগদি লৈবাক অদু অশীনবা লৈবাক ওইরকই। মরম অসি লৈবনা হাপ্লিবা হারগা চাননা হাপকদবা শুনুগী চাং খঙজিনবীদুনা মতম চানা শুনু হাপহৌদুনা ঐখোয়গী লৈবাকপু হেন্না শিনখিগদবদগী কলহৌনবা হোৎনগদবনি। খুদম অমা য়েংসি। করিগুম্বা পি ঐচ ৫.৮ লৈবা লৈবাক অমদা লেপ্তুনা য়ুরিয়া চাইবা মতমদা চহী ৫গী মতুংদা পি ঐচ ৪.৯দা হন্থখিবা য়াই। হায়বদি য়াম্না শিনখিবা য়াই। মতমদুদা হান্নগী পি ঐচ ৫.৮দা হঞ্জিনহনবা মতমদা শুনু কা হেন্না য়াম্না চঙবা তাবনি। মতাং অসিদা খঙজিনবা য়াবা ৱাফম অমনা করিগুম্বা নাইট্রোজেন কিলো ১ চাইবা মতমদা হায়বদি য়ুরিয়া কিলো ২.১৭ (য়ুরিয়াদা নাইট্রোজেন ৪৬% য়াওই) চাইবা মতমদা শুনু (কেলসিঅম কার্বোনেট ওইনা) কিলো ৬ চাইবা তারবদি লৈবাক শীনবা হেনগৎহন্দবা য়াই। মণিপুরগী ওইনা লৌ পরি অমদা ফৌগীদমক চাইননবা পীরিবা নাইট্রোজেন কিলো ৬০ হায়বদি য়ুরিয়া কিলো ১৩০.২ চাইবা মতমদা শুনু কিলো ৩৬০ চাইবা মথৌ তাই হায়বনি। অমরোমদা লায়থোক্না হায়রবদা য়ুরিয়া কিলো খুদিংগী শুনু কিলো ২.৭৬ চাইরবদি লৈবাক শীনবা হেনগৎহন্দবা য়াই হায়বনি। লৈবাক লৈহাও খুদিংমক্তা চমথোকহনবা ঙম্বগী মগুনসু খেন্নৈ। লৈতান লমনা চমথোকহনবা ঙম্বগী পাঙ্গল অসি লৈঙোই লমদগী হেল্লি। লৈবাক লৈহাওদা নিংথিনা পথ্-পুমথরবা ওর্গানিক মেটর য়াম্না য়াওবা লৈবাক্তা অমুক হারনা শীলহনবদগী খরা মখৈ ঙাকথোকপা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈ। মরম অসিনা লৈবাক্তা কম্পোষ্ট হাপ্পা অসি পাম্বীদা কান্নবা য়াম্না পীবগী মথক্তা লৈবাক শীলহনবা ঙম্বা মখলগী হার চাইবনা লৈবাক শীলহনখিগদবদগী কান্নবা মচাক অমসু ওই।

য়ুরিয়া নত্তবা ফোসফোরসকী হারশিং খুদম ওইনা সিঙ্গল সুপর ফোসফেট, ট্রিপল সুপর ফোসফেটকী হারশিং অসিসু ফোসফোরিক এসিদ পুথোক্তুনা লৈবাক শীলহনবা ঙমই। দাইমো হায়নরিবা দাই এমোনিঅম ফোসফেটসু লৈবাক শীলহনবা ঙমই। অদুবু সিঙ্গল সুপর ফোসফেটতা শুনুগী চাং (কেলসিয়ম) চাদা ২০ য়াওবা মরম্না অতৈদগী শাফবা ওই। মরম অসিনা ফোসফোরস পীনবগীদমক্তি সুপর ওইনা শীজিন্নসি।

অমরোমদনা ওর্গানিক ওইবা হারশিং - ষন্থি-ষণয়ুংগী হার, কম্পোষ্ট, ভর্মিকম্পোষ্টনচিংবা হারশিং শেমদুনা অমদি হাপ্তুনা পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীবতা নত্তনা লৈবাক লৈশা ফগৎহনসি। শুবদা নুংঙাইবা, শীনবা হেনগৎপদগী ঙাকথোকপা ঙম্বা, লৈহাও লৈবা, চাথোক পুথোকপা ঙম্বা লৈবাক ওইহন্দুনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইহনসি।

থমজরিবা খরা অসি খন্থরগা অশীনবা হেনগৎহনবা হার মখলশিংসি চাইবা মতমদা মতম চানা শুনু খরা মথক্তা থমখিবা চাং হায়বদি নাইট্রোজেন কিলো অমগী চাং য়াওবা হার চাইবা খুদিংগী শুনু অসি (কেলসিঅম নাইট্রেট ওইনা) কিলো তরুক চাইবা তঙাইফদে। মতাং অসিদা তঙাইফদনা খঙদবা য়ারক্ত্রিবসি হারশিংসিদা নাইট্রোজেনগী চাং কয়া য়াম্না য়াওবগে হায়বসিনি। নীংশিংজগে - য়ুরিয়াদা - কিলো ১০০দা নাইট্রোজেন কিলো ৪৬ য়াওই। দাই এমোনিঅম ফোসফেত্তা - কিলো ১০০দা ফোসফোরস কিলো ৪৬কা লোয়ননা নাইট্রোজেন কিলো ১৬-১৮ য়াওই। মসি খঙলবদি শুনু কয়া য়াম্না চাইগনি হায়বা খঙলে। অদুবু কৈদৌনুংদা হারগা শুনুগা য়ানশিন্নদুনা চাইবা য়াদে। শুনুদি পোৎ থাগদবা থা অমা ৱাৎলিঙৈ মতমদা চাইদুনা লৈবাক্তা খোইজিনবীহৌগদবনি। ●

## ষন্থি অমসুং ষণয়ুংনা শেম্বা হার - জীবমরুথ

**ডা. ৱাইখোম জিতেন**

খূৎশেমগী হার অমদি তীলহাৎ হীদাকশিং শীজিন্নবনা থোকহল্লিবা খুদোংচাদবশিং খুদম ওইনা লৈবাক লৈহাও মাঙশিল্লকপা, ঐখোয়না চাগদৌবা পোৎলমশিংদা হূ চেনবা পোৎলমশিং য়াওবগী চাং ৱাংখৎলকপা, অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎতা মোৎশিল্লকপনচিংবা কয়া অসি য়েংলগা ঙসিদি লৌউ-শিংউবদা খূৎশেমগী হার অমদি তীলহাৎ হীদাক্লচিংবশিং শীজিন্নবগী চাং হন্থনবা/শীজিন্নদবা মওংগী লৌউ কাঙলোনশিংদা মায় ওনশিল্লক্লি। থারিবা পাম্বীশিংগী মচিঞ্জাক ওইনবগীদমক ঐখোয়গী অকোয়বদা ইরায় লায়না ফংলিবা পোৎলমশিং শীজিন্নরবদি খূৎশেমগী হারশিং শীজিন্নদবা য়াবা/শীজিন্নবগী চাং হন্থরক্লবদি লায়না তীলনা তাবগী চাং হন্থরকপা/তারবসু খূৎশেমগী হীদাকশিং য়াওদনা লাকশিনবা ঙল্লক্কনি। মীৎয়েং অসিনা মাঙদা থল্লগা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা য়াবা পোৎলমশিংগী মনুংদা ষন্থি অমসুং ষণয়ুংবু পুমথহল্লগা শেম্বা হার জীবমরুথ পনবা য়াই।

জীবমরুথ অসি পাম্বী অমনা দরকার লৈবা তোঙান তোঙানবা পোৎলম কয়া শুনা য়াওরবা হার মহী মখল অমনি। হার মখল অসিনা ষন্থি অমসুং ষণয়ুংদা য়াওবা পাম্বীগী মচিঞ্জাকশিং ফংহনবগী মথক্তা লৈবাক লৈহাও অমদি পাম্বীশিংদা কান্নবা পীবা ঙম্বা হিংকুপশিং (মাইক্রোওর্গানিজম) ময়াম অমা য়াওদুনা লিশাং শিংনা লৌ উবা য়াবা মফম অমা শেম্বদা মতেং পাংই।

জীবমরুথকী কান্নবশিং :- (অ) লৈবাক্তা লৈবা তোঙান তোঙানবা হিংকুপশিং অমদি ঐখোয়দা কান্নবা পীবা বেক্টেরিয়াশিংগী মশীং হেনগৎহনবদা মতেং পাংবা পোৎলমনি।

(আ) লৈবাক্কী অশিন অয়াক্কী খল মওং চুম্না লৈহনবদা অচৌবা মতেং পাংই।

(ই) মসি শেম্বদা মতম শাংনা চঙদবনা পাম্বীশিংদা তোয়না শীজিন্নদুনা কান্নবা লৌবা য়াই।

(ঈ) পাম্বী মখল খুদিংদা শীজিন্নবদা পোৎথোক হেনগৎহল্লি।

শেম্বদা চঙবা পোৎলমশিং :- (ক) ঈশিং লিটর ২০০ চনগদবা প্লাষ্টিক দ্রম অমসুং দরকার লৈবা ঈশিং।

(খ) ষন্থি কেজি ১০ (ইরমদমগী ষণনা হেন্না ফৈ)

(গ) ষণয়ুং লিটর ১০ (ইরমদমগী ষণনা হেন্না ফৈ)

(ঘ) চিনি অঙাংবা কেজি ১ (শাবদগী থা অহুমদগী হেল্লবনা হেন্না ফৈ)

(ঙ) অফংবা হৱাই মখল অমগী মকুপ (বেসন) কেজি ২

(চ) শীজিন্নগদবা লৌফম অদুদগী লৌবা অফবা লৈবাক লৈকুপ কেজি মখায়মুক।

করম্না শেমগনি :- (ক) ষন্থি কেজি ১০ অমদি ষণয়ুং লিটর ১০ পূন্না থিৎপা য়াবা পাত্র অমদি ষন্থি অমদি ষণয়ুং অদু মতুম মতুম য়াওদনবা নিংথিনা থিৎপীগনি।

(খ) ষন্থি অমসুং ষণয়ুংনা মমুৎ তানা থিৎলবা পোৎলম অসিদা চিনি অঙাংবা মকুপ তানা তকখাইরবা অমসুং হৱাইগী মকুপশিং হাপচিনবীদুনা নিংথিনা অমুক থিৎপীগনি। মথক্কী থৌরমশিং অসি লোইবগা লৈহাও লৈবা লৌফম অদুদগী লৌবা লৈবাক লৈকুপ কেজি মখায় অমুক লৌদুনা তোৎশিনবীগনি।

(গ) ষন্থি, ষণয়ুং, হৱাইমকুপ, চিনি অঙাংবা অমদি লৈবাক লৈকুপশিং পূন্না থিৎলবা পোৎলম অদু ঈশিং লিটর ২০০ চনগদবা প্লাষ্টিক দ্রম অমদা হাপচিনবীরগা দ্রম অদু থনদ্রি ফাওবা ঈশিং হাপচিনবীগনি। ষন্থি ষণয়ুং থিৎখিবা পাত্রদা নপ্লিবা পোৎলমশিং নিংথিনা চুমশিনবীরবা মতুংদা অথিৎপা পোৎলমশিং অদু ঈশিংগা চাং মান্নহনা তোৎশিন্নখিবগীদমক খূৎপায় চাবা চৈ অশাংবা অমগী মতেংনা নিংথিনা ওৎপীগনি।

(ঘ) নিংথিনা শেল্লবা মহী অসি লিমোন বোরা নৎত্রগা ফী অমগী মতেংনা নিংথিনা খুমজিনবীদুনা তীল কাঙশিং চঙহন্দনা থন্বীগনি।

(ঙ) শেল্লবা মহী অদু নোংমগী মনুংদা অনী নৎত্রগা অহুমলক্কুম্বা চৈ অমগী মতেংনা ওৎপীগনি। অমুক ওৎপিবা মতমদা য়ামদ্রবদা মিনট ৫দগী তাদনা ওৎপীগনি।

(চ) অসুম্না শেল্লবা মহী অসি নুমিৎ ৭-১০নিগী মতুংদা শীজিন্নবা য়ারে।

জীবমরুথতা য়াওবা পাম্বীগী মচিঞ্জাক্কী মচলশিং :- মসি শিল্লপ তৌবা মহী অমনি অদুগা নাইট্রোজেন ১.৯৭%, ফোসফরস ০.১৭২% অমসুং পোটাশনা ০.২৯%গী চাংদা য়াওবগা লোয়ননা মেঙ্গানিস অমসুং কোপরনা ৪৭ অমসুং ৫০ পি পি এমগী চাংদা মথংশিৎনা য়াওই। জীবমরুথতা পাম্বীগী মচিঞ্জাক ওইগদবা পোৎলমশিং অসি য়াওবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা পাম্বীশিংদা কান্নবা পীবা হিংকুপশিংনা থাদোরকপা পাম্বীশিং চাওখৎহনবা ঙম্বা মহী মখল খরসু য়াওই।

শীজিন্নবগী খ্বাইদগী ফবা মতম :- জীবমরুথতা য়াওবা কান্নরবা হিংকুপশিং অসি শেল্লবা মতুং পুং ৪৮গী মতুংদগী অসুম হেনগৎলকপদুনা নুমিৎ ১১নি শুবদা খ্বাইদগী য়াম্না য়াওরল্লবসু নুমিৎ ১২দগী ২০নিগী মনুংদা অমুক মশীং হন্থরকই। মরম অসিনা অশেম্বা মহী মখল অসি নুমিৎ ৭-১০নিগী মনুংদা শীজিন্নবনা খ্বাইদগী ফৈ।

কয়াম কুইনা লিবা য়াই :- অশেম্বা মহী মখল অসি নুংশা য়ৈদবা অঙৈংবা মফমদা মখুম নিংথিনা খুমজিন্দুনা থমদুনা তীল কাং চঙহন্দনা থল্লবদি থা ২দগী থা ২ মখায় ফাওবা থম্বা য়াই। তৌবতদি অশেম্বা মহী অদু নোংমদা য়ামদ্রবদা অনিরক্তগী তাদনা ওৎপীগনি অমদি কংশিল্লকপগী শরুক অদু মেনখৎনবগীদমক অৱাৎপা ঈশিং হাপচিনবীগনি।

করম্না শীজিন্নগনি :- জীবমরুথ অসি ঈশিং চাইবদা হাপ্লীনবগীদি লিটর ২০০ অসিনা লিটর ২০০০গী চাং য়ৌনা ঈশিং য়ানশিনবীরগা নুমিৎ ৭-১০নি কান্নরগা চাইবীবা য়াই। অদুগা পম্পতা হাপ্লগা মনাদা কাপ্নবগীদমক ফী অমদা চুমথোক্লবা মহী অদু ঈশিং য়ানশিনবীরগা কাপ্লীগনি।

মরূ হুনখিবদগী/পাম্বী ওইনা থাখিবদগী নুমিৎ ৩০নিমুক শুবদা ঈশিং লিটর ১০০দা জীবমরুথ লিটর ৫ য়াল্লগা অহানবগী ওইনা কাপ্লীগনি। মতুংদা অহানবা কাপখিবদগী নুমিৎ ২১নিগী মতুংদা ঈশিং লিটর ১৫০দা জীবমরুথ চুমথোক্লবা মহী লিটর ১০ অদুগা অনীশুবা অসি কাপখ্রবা মতুং নুমিৎ ২১নিগী মতুংদা ঈশিং লিটর ২০০দা চুমথোক্লবা মহী লিটর ২০ য়াল্লগা কাপ্লীবা মতমদা পাম্বীশিংগী পোৎথোক চাথোক মতিক চানা ফংবা ঙমই।

ঐখোয়গী অকোয়বদা ইরায় লায়না শেল ইতিং তিংদনা ফংবা য়াবা পোৎলমশিং শীজিন্নদুনা শেম্বা জীবমরুথগুম্বা শীজিন্নদুনা খূৎশেমগী হার শীজিন্নবগী চাং হন্থহন্নবা মায়কৈরোমদা চঙশিনবা চুমগনি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬২

১) **"কংলা দায়রী"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **"নুংশিরবা মরুপকী মপাউ"** হায়না মীংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"মৈচাক-মৈৱায়রবা ঈরমদম"** হায়রিবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা ট্রান্সলেসন তৌবগে?

৪) **"চীংলোনগী ৱারী শীংবুন"** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৫) **"মোৎলবসু মোৎনা নমথীরবসু নমথীনা/নুমিদাংগী লংলবা থাবলদা নৎত্রগা থামমল্লবা অহিংদা/ট্যুব লাইটকী লুপা মচুগী মৈঙালদা/নম্বুল তুরেলগী দৃশ্য শাথীনা ফজে!"** শৈরেং অসি অইবা কনাগী করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপা শৈরেংনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।